# লিরগা হেন্না ময়াই হাপ্লক্লিবী চাইনিজ এক্ট্রেস Liu Xiaoqing

- নানি



মশাগী চহী ৬২ শুরবী নীংথিবী শক্তমগী মমিদি মাঙড্রিবী, হৌজিক হৌজি কমক হিরোইন অমা ওইনা ফিল্ম কুপ্লিবী চাইনিজ এক্ট্রেস Liu Xiaoqing ১৯৫৫গী ওক্টোবর ৩০দা চিনাগী ফুলিং দিষ্ট্রিক্ট, চোংকিংদা পোকখি। প্রদ্যুসর- এক্ট্রেস অমা ওইবতা নত্তনা মমিং লৈরবী বিজিনেস ৱিমেন অমা ওইনসু মমিং লৈরবী এক্ট্রেস অসি ১৯৭০গী মতমদগী হৌজিক ফাওবা মহাক্কী এক্টিভিটিদা এক্টিভ ওইনা লৈরি। ১৯৯০দগী ফিল্মগী লমদগী খরা হায়দোক্লগা বিজিনেস ওইনা মায় ওনশিল্লকখি। চহী তরাগী মতুংদা অমুক হন্না ফিল্মদা খোঙ থাংজিল্লকখি। ২০০৪দা নৌনা রিলিজ তৌরকখিবা Plastic Flower (Chunhua) হায়বা ফিল্ম অসিদা টাইটল রোল কুমখি। ২০০৫দগী ২০০৮দা ষ্টেজ এক্টর অমা ওইনা মমিং লৈরবা প্লে The Last Night of Tapan Chin হায়বা অসি চিনা অমদি টাইৱানদা সো কয়া উৎতুনা অয়েংবশিংগী পূক্লিং চিংশিনবা ঙমখি। ২০১২দা The Beauty হায়বা ফিল্ম অমসু রিলিজ তৌখি।

Frozen Beauty হায়নসু খঙনরিবা Liu চিনাদা খ্বাইদগী ইনাক খুনবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবী এক্ট্রেস অসিগী মশানা ইজবা লাইরিক (সোর্ট ওটোবাইওগ্রাফি) অমা- I Did It My Way হায়বা অমা ১৯৮৩দা পব্লিস তৌখি। লোয়ননা From a Movie Star to A Billionaire হায়বা অমসু ফোঙখি। মরকসিদা মহাক্না লিংখৎপা কম্পেনি (Beijing Xiaoqing Culture and Arts Company Ltd) না মতম চানা টেক্স থিদবগীদমক Liu বু ২০০২দা ৭.১ মিলিয়ন ফাইন তৌবগা লোয়ননা চহী অমা চুপ্পা ফাদোক তাখি। Liu না অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা ফিল্ম অমদা লেবর ওইনা থবক তৌবা হৌরকখি। লোয়ননা পিপলস লিবরেসন আর্মিগী প্রোপেগন্দিষ্ট অমা ওইনসু মীয়ামদা ইথিল কয়া পীখি। মমৈদা চেংদু মিলিটরি দ্রামা গ্রুপকী ষ্টেট এক্টর অমা ওইনা শরুক য়ারকপদগী মীয়াম্না মহাকপু শক খঙবা হৌরকখি। মহাক্না চহী ৩০ শুরকপা মতমদা চাইনিজ ফিল্ম The Great Wall of the South China Sea (1976), What a Family (1979) and The Little Flower (1980) হায়বা অসিদা এক্টর অমা ওইনা মরুওইবা রোলশিং লৌদুনা মথং মথং রিলিজ তৌরকখি। মহাকপু খ্বাইদগী মীয়াম্না য়াখিবা The Burning of the Imperial Palace (1983) and Reign Behind the Curtain (1984) হায়বা অসিনি। ফিল্ম ফেষ্টিভেল কয়াদা মশীং নাইদ্রবা এৱার্দ কয়া ফংলকখ্রবী Liu গী শীংথানখিবা ফিল্মদি The Imperial Eunuch (1991) নি। ফিল্ম অসিদা বেষ্ট এক্ট্রেসকী মনা ফংখি।

Liu না মশাগী চহী ৫৯ শুরকপদা (১৯৯৫)দা চহী ১৬কী লৈশাবী অমা শাদুনা মহাক্না চহী ২১ হনবা এক্টর অমগা পান্নবদা মীয়াম্না অঙকপা অমা পোক্লখি। চহী ১৬তগী চহী ৮২ ফাওবগী রোলদা মায় পাক্লা কুম্বা থোইদোক্লা মায় পাক্লি। হৌজিক ফাওবদা মহাক্কী মায়দা চহী য়াম্লকপগী মমি অমা ফাওবা তাদ্রি। টি ভি সো কয়া য়াওনা মখল কয়াগী genre দা রোল কয়া কুমদুনা লাক্লি। কুমজা ২০১৬ তা মহাক্কী ফিল্ম অনী The Bombing অমদি For a few Bullet হায়বা অসি রিলিজ তৌখ্রে। ২০১৫দদি শুপ্নতগী ফিল্ম অমখক্তমক রিলিজ তৌরকখি। মদুদি- Mojin: The Lost Legend হায়বা অসিনি। ঙসি ফাওবদা ফিল্ম ৩২দা মেন রোল ওইনা কুমখ্রবী এক্টর অসিগী ফিল্ম খরা পনবা তারবদি- Thank You Comrade, Spring Songs, What a Family, Wedding, Mysterious Buddha, The Little Flower, Invisible Web, The Burning of the Imperial Palace, The Ruthless, Legendary Amazon, Plastic Flower পনবা য়াই। টি ভি সিরিএল প্লে ৩৩ অমসু মায় পাক্লা কুমখ্রে। Liu Xiao Qing অসি মালেমগী খ্বাইদগী ফজবা নুপীশিংগী মনুংদা অনীশুবা রেঙ্কতা লৈরি হায়না জ



পানিজ টি ভি অমগী রিপোর্টতা হায়রি। লোয়ননা ১৯৯৯দা চিনাগী লল্লোন-ইতিক তৌবা খ্বাইদগী ইনাক খুনবা ৫০গী মনুংদা Liu গী মমিং অসি অহুমশুবা কাখলদা লৈরি। অদুম্নমক্তি ওইরগা চিনা গভর্ণমেন্টনা মহাকপু টেক্স থিনিংদবা মহাক্কী ওইবা মরল লোৎপা অমনি হায়না ফাদুনা ফাইন থিহনবতা নত্তনা জেলদা ফাওবা থমখিবা অসিনা মহাক্কী মিংচৎতা খজিক অকায়বদি ওইখি। মীয়াম্না থাজনরম্বা অদুদগী মহাকপু মফম খূদিংদা ৱারীনখিবা অসিমদি মহাক্কী এক্টিংনা ফুগৎপা ঙমদ্রি। মহাক এক্টিংদা হৈথোই শিংথোইবগী মথক্তা বিজিনেস ৱিমেন অমা ওইনসু য়াম্না হৈ শিংবী অমনি। Liu না খ্বাইদগী হেন্না পামজবা এক্টিংগী ষ্টাইলদি হিষ্টোরিকেলগী ওইবা দ্রামাদা মনিং তম্না এক্ট তৌবা অসিনি। তৌবগীদি চিনাগী মুভি ক্রিটিকশিংনসু Liu গী চহী অসিদা মহাক্কী মহুৎ শীনবীনবা মপুং ফানা এক্টিং উৎপা ঙম্বদি লৈত্রি হায়না ফোঙখিবা লৈখ্রবনি। য়াম্না নুংঙাইরিবদি Liu Xiao Qing অসি মরিরক লুহোংখ্রে। ইরোয় লোইবা ওইনা মহাক্না লুহোংখিবদু চহী খরখক্কী মমাঙদনি। চাইনিজ বিজিনেসমেন ৱিল্লিয়ম (চহী ৭১) শুরবা



অসিদা মরিরক শুবা ওইনা লুহোংখিবনি। Liu গী মমাঙগী নুপা অহুম্মক মশা-মশা য়ানদুনা কায়নখিবা ঙাক্তনি। য়াম্না ঙকপা অমদি মহাক্কী অহানবা মপুরোইবা অদু লুহোংবা মতুং নুমীৎ হুম্নী শুবদা য়ানদবা অমদগী খায়নদুনা মযুমদা হল্লকখি।

মহাক্না হৌজিক ফাওবদা মমায় অসি ময়ি অমত্তা চৎতনা তগৎ তগৎ তেক্না লৈরিবা অসিগী মতাংদা কন্না হায়নখিবদি মহাক্কী মমায় অসি প্লাষ্টিক সর্জরি তৌখি হায়বা অসিনি। মীয়াম্না ঙাংনরক্লিবা ৱাফম অসি মহাক্না হকচিন্না য়াখিদে। মহাক প্লাষ্টিক সর্জরি তৌখিবা লৈতে হায়না মীদিয়াগী মাঙদা শেংদোকখি। মহাক্না মখা তানা হায়খিবদি মঙোন্দা ওইরিবা অসি ঈশ্বরনা পীথোরকপা অমদি মহাক মশানসু মহাক্কী বোদি বেলেন্স অসি চাং নাইনা থম্নবা হোৎনবা অসিননি হায়না ক্লেম তৌখি। লোয়ননা অফবা চীঞ্জাক, অফবা ৱাখল অমদি তরু-তরুবা লমচৎ-শাজৎ হায়বা অসিগা হকচাংগা য়াম্না নক্নবা মরী লৈনৈ হায়না পনখি। মখা তানা Liu Xiao Qing না নুপী হায়বসি অথোৎপা অমেংবা লৈগা চাংদম্নে। চহী য়াম্বা য়ামদবগী ৱা করিসু লৈতে। নুপী ওইবীগী চহীগী তাঙ্কক খূদিংমক্তা অয়েংবা নুপাশিংবু এট্রেক্সন পীবা ঙম্মী হায়না মহাক্না নোক্লদুনা ফোঙদোকখি। ২০০৯দা Liu না Xu Beihong হায়বা বাইওপিক ফিল্ম অমদা চহী ১৯দা শুরবী চাইনিজগী মমিং লৈরবা আর্টিষ্ট অমগী শক্তম লাংখিবদগী হৌনা মহাক্কী এক্টিংগী অহেনবা মীয়ামগী থাজবা পীবা ঙমখি। ঙসিদি মালেমগী মীপুম খূদিংদা Liu Xiao Qing গী অঙকপা মতৌ অসিদা নৈনবা হৌরক্লে। ফেসবুকতা মহাক্কী হৌজিক হৌজিক ওইরিবা শক্তমগী ফোটো হাপ্তুনা মীয়াম্না মসিবু থাজনিংঙাই ওইবরা হায়না ৱাহং হংবা হৌরক্লে।

ইজরিবা আর্টিকল অসিমকসু ফেসবুক্তা মীয়াম্না হায়নরকপদগী মহাক্কী অকুপ্পা খরসু মীয়ামদা খঙহঞ্জনিংদুনা ইজরিবনি। কুমজা ২০১৬তা মহাক্কী ফিল্ম অনী The Bombing অমদি For a Few Bullet হায়বা ফিল্ম অনী রিলিজ তৌদুনা মীয়ামদা য়েংহনখ্রে হায়না মথক্তা পঞ্জখ্রে। অনৌবা ফিল্ম অমা অনী অমগীসু এসাইনমেন্ট লৌদুনা সূটিং হৌনবা শেম-শারিবীনি। লাক্কদৌরবিবা ফিল্ম অনী অসিদসু চহী ২০ খক্তা শুরিবী কেরেক্টরদা রোল লৌগদৌরিবনি। য়েংখিবা তারি মখা তারকপা মহাক্কী ফিল্মদা মীয়াম্না Liu বু করি হায়না খঙনরক্কদগে হায়না। হৌজিক ফাওবদি মালেম পুম্বনা মহাকপু Frozen Beauty হায়না খঙনরি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৬।১০।২০২২ ইং, নোংমাইজিং; অয়ুক্কী পুং ৭.০৪ ফাওবা মেরাগী ২১ পাল্লি মতুংদি ২২নি পাল্লনি।

**মেষ:** শকখঙদবনা তাথিবা, লাই-গুরুনা চানবীবা ৱাৎপা লৈ-মরুপ মপাংগী লোয়নবা অমদি খন্থরগা থৌপাঙবা ফগনি। লল্লোন ইতিক্তদি শেন্দোং চাওগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা খরদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃষ:** মরুপ মরক্তা পুকচেল শেপ্পা য়াওরক্কনি, য়েৎনবা অমদি নাপল তৌরুনু। মীয়াম্নদি য়াবনিনা য়েক্লববু লাকশিনবদি ঙমগনি। নাইতোম অরুবা ৱারেপ লৌখিনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**মিথুন:** নীংবা থুংবা, মীংচৎ হেনগৎপা, মরুপ মপাংগী মতেং লৌবা য়াবা, ঙাং-শকপদা মীনা তানিংবা নুমিৎনি। য়েক্লবনা শাওহনবা অমদি ফংবা য়াবা পনবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**কর্কট:** ইমুং মনুংদা অমদি য়েৎনবা মরম খরদা নীংবা থুংদবদি লৈগনি। অদুবু নথক থোংবনদি চানবীবা, লোয়নবনা মীংচৎ ফংনবা হোৎনবীবা, পেঞ্জবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাংবদা পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**সিংহ:** খুৎ চাওবগী কান্নবা, চাদিংসু হন্থবা ঙম্বা অমদি শেন্দোং য়াম্না লৈবা নুমিৎনি। মীয়ামগা মরী ফগৎকনি অমদি মীনা থাজবা হেনগনি। মীতোপ্পদি তাথি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কন্যা:** নীংজবা থুংলনি, পল্লম্বা শেল-থুমগী লমদসু মায় পাক্লনি, থৌনা ফুদোক্লা থৌপাঙবা মতাং চারনি। অদুবু কোক শাবা, মীকোক থোংবা ৱাবদি লৈখিনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল খরদি নুংঙাইরে।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

**তুলা:** শাওনবা লৈরম্লসু ফরনি, নচাক নরল মাঙবা হন্থজরগনি অমদি ইমুং মনুংদসু ৱাখল তান্নরগনি। মীংচৎ হেনগৎকনি। মরুপ/নচা ননাইগী লমদদি খুরৌ থাংই।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃশ্চিক:** অচুম্বনা মায় পাক্কদবা, লেঙদবা লন চাওখৎনবা হোৎনবদা মাঙজিল থানা কান্নগদবা অমদি মরুপ মপাং/নক্নবা মীশিং লোয়নবনা নুংঙাইজবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হেন্না আশা চাওবা য়াখিরোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**ধনু:** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগদবা নুমিৎনি। অনৌবা আশা লাক্কনি, অঙম্বনা চানবীবগী নুংঙাইজবসু লৈগনি। অরুবা ৱা খন্নবা য়াগনি অমদি মীকোক থোংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**মকর:** শাওনরম্বা ফরনি, মরুপ মপাংগী মতেং লৌবা য়াররনি, পল্লম্বা শেল থুম ফংবা য়াবা লৈরে-থৌনা ফুদোকহৌরো। য়েক্লবনা নথক থোংবদা হন্দুনদি ঙাংই।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**কুম্ভ:** হোয়া ফগনু অমদি মরম খঙদনা য়াওরুনু। য়েৎনবা য়াওরুনু অমদি থিবা হুম্বা কনখো। অফবা লৌশিং তানশিনবা অমদি লান্দবা কান্নগনি। মীনা থাগৎপিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিন:** অয়াম্বা লমদা নাইতোম থৌপাঙবদি কান্নফম খঙলোই। অনৌবা থৌরমদা হৈপা শারুনু, চিন শোয়রগা নরলদা তায়নবা য়াবা নুমিৎনি। অখঙ অহৈ তান্নৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নশাগীতা খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## নোংমগী ওইবা ক্লষ্টর দিভেলপমেন্ট এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচ এন এস): মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলস গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী নেসনল হেন্দলুম দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম (এন ঐচ দি পি)গী মখাদা মোইরাংদা ইমপ্লিমেন্ট তৌগদৌরিবা মোইরাং সী দি পি (মোইরাং হেন্দলুম ক্লষ্টর)গা মরী লৈননা নোংমগী ওইবা ক্লষ্টর দিভেলপমেন্ট এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর এপেক্স হেন্দলুম ৱিভর্স এন্দ হেন্দিক্রাফ্টস আর্টিসান্স সী এস লিমিটেদ (অৱাস)না শীন্দুনা অয়াংলৈমা কম্যুনিটি হোল, মোইরাংথেম লৈজুবম লৈকায়দা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা ক্লষ্টর দিভেলপমেন্ট এৱ্যের্নেসকী থৌরম অদুদা মোইরাং এ সীগী এম এল এ থোঙাম শান্তি, অৱাসকী প্রসিদেন্ট এ রোমিতা, দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইলস বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী প্রোজেক্ট মেনেজর গাইনিরৈ গাংমৈ অমদি ৱিভর্স সর্ভিস সেন্টর ইম্ফালগী দেপ্যুটি দিরেক্টর ঐচ কে বরোনা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা থৌরম অদুগী মনুং চন্না নুপীশিংদা পহচান কার্দসু য়েন্থোকখি।

এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদুগা মরী লৈননা এম এল এ থোঙাম শান্তিনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নুপী ওইবীশিংবু য়ুমদা লৈনা লৈনা শেন্থোক লৈনবা স্কিম কয়া পায়খৎতুনা হোৎনরি। ইমুং অমদা য়ুম্বুরেল ওইরিবা অদুনা অনা-অয়েক য়াওদুনা নৎত্রগা থবক শুফম-নোম্ফম লৈতবা তারবদি ইমুং অদুদা শেল লৈতবদগী ইমুং অদুদা ঈরাং থোকপা কয়া য়াওদবা নত্তে। মরম অদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা নুপী ওইবীশিংগীদমক ফিশা-লোনশা তৌনবা স্কিম কয়া পায়খৎতুনা য়ুমদা লৈনা লৈনা শেল থোক্লবা হোৎনবীয়ু। লোয়ননা মণিপুরগী মমিং লৈরবা হেন্দলুম অমদি হেন্দিক্রাফ্টকী পোৎলম কয়া ইন্দিয়াগী মফম কয়া পাম্নবা হেল্লক্লি। হৌজিক হৌজিক মোইরাংদা পায়খৎপা হৌরিবা ক্রাফ্ট এন্দ হেন্দলুম ভিলেজ অসি ইন্দিয়াগী ওইনা মঙাশুবনি। অদুগা নোর্থ ইষ্টকী ওইনদি অনীশুবনি। মসিনা লমদম অসিগী ফিশাবীশিং অমদি খুৎ-শা হৈবা মীওই কয়াদা কান্নবসু ফংহল্লগনি। গভর্ণমেন্টগী সর্ভিস তৌহৌদ্রবা নুপীশিংনা ফিশা-লোনশা হৈবা ওইরবদি য়র্ন পাসবুক, পহচান কার্দ অমদি ৱিভর কার্দ অসি পায়বীদুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা নুপী ওইবীশিংদা পীরিবা কান্নবা অসি লৌবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না ওফিসলশিংনসু হেন্দলুমগা মরী লৈনবা কান্নবা কয়া মীয়ামদা এৱ্যের্নেস পীদুনা খঙহনখি।

## দবল বেরেল নোংমৈ অমা ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দোগী য়ুনিট টিম অমনা নহারুপ থোংখোং লম্বীদা অচৎ-অওকশিং চেক তৌবদা সিলভর মচুগী হোন্দা এক্টিভা অমা য়াম্না চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা গাড়ী কন্না থৌদুনা লাকপদা খাল্লবসু গাড়ী খাল্লমদনা থৌখিবদগী টিম অদুনা তান্নরুবদা লৈরক অখুবা অমদা থৌজিল্লগা নান্থোকখি। অদুবু কম্মান্দোগী টিম অদুনা মফম অদুদা থিবা হুম্বা চখুবদা কাপ্পা য়ারিবা মরু অনী য়াওনা দবল বেরেল অমা ফংবা ঙমখি। পুলিসনা ফাগৎলবা দবল বেরেল নোংমৈ অদু পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনদা লোগী ওইবা থবক লৌখৎনবগীদমক খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।




Title : Village Scenery
By : Thokchom Chinglemba
Class : IIII Sec : C Roll No. : 33
School : S.R.H.S.S.



Title : Sceneray
By : Kharibam Lanchenba Singh
Class : I Roll No. : 12
School : Bright Way English School



Title : House
By : Longjam Lamnganba Singh
Class : II Roll No. : 45
School : Career Guidance and Counselling Centre




Title : Fan
By : Malemnganba Takhellambam
Class : Nursery Sec : E Roll : 54
School : Shining Byrne Academy



Title : Our Planet
By : Marson Thoudam
Class : III Roll No. : 36
School : Laisukol, Thoubal Achouba



Title : Rabindranath Tagore
By : Ningthoujam Monish Singh
Class : IV-A Roll No. : 3
School : Kendriya Vidyalaya No. 1



Title : Indian Flag
By : Stephen Thokchom
Class : II Sec : B Roll No. : 19
School : Tinny Tots Unique School



Title : Save Environment
By : Th. Belena
Class : III Sec : B Roll : 03
School : Standard Robarth Higher Sec. School



Title : Flower Rose
By : Th. Jacyka
Class : III Sec : B Roll : 52
School :



Title : Mother and Son
By : Velentina
Class : III Sec : B Roll : 47
School : S.R. Hr. Sec. School



Title :
By : Y. Lanchenbi Devi
Class : V Sec : X Roll No. : 04
School : Galaxy High School



Title : Scenery
By : Lanchenba
Class : V Sec : C Roll No. : 23
School : S.T. Gorge



Title :
By : Vishal
Class : Nursery Roll No. : 3(B)
School : Maheilen Education Centre



Title : Articono
By : Telheiba
Class : V Roll : 01
School : Maheilen Education Centre



Title : A House
By : Maimom Ngamba Singh
Class: II Sec : E Roll No. : 39
School : ST. Joseph's Higher Sec. School



Title : Unicorn Cake
By : P. Tolstoy
Class : III Sec : Lotus Roll No. : 1
School : Maheilen Boarding

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।